# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 19-10-2024)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন্না হায়রি- প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা অৱাং নোংপোক লমদমবু অষ্ট-লক্সমি ওইহন্নবা থল্লিবা ভিজন মঙফাওনহন্নবা লেপ্পা লৈতনা হোৎনখিগনি।

২) মীয়ামদগী নমদুনা শেল খায়বশিং মণিপুর পুলিসনা ফাগৎপগী থবক লেপ্তুনা চথরি, ঙরাংসু কে.সি.পি (পি.দব্লিউ.জি) গ্রুপকী মীওই অনি ফাখি।

অমসুং

৩) রাষ্ট্রপতি দ্রৌপদি মুরমুনা মালাৱিগী রাষ্ট্রপতি লজারস চকৱেরাগা ৱারী শান্নখ্রে, য়ান্নচে মরি সহি তৌনখ্রে।

------

সিএম (এল)ঃ মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন্না হায়রি- প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা অৱাং নোংপোক লমদমবু নৌনা শেমগৎনবা থল্লিবা ভিজন অসি মঙফাওনহন্নবা লেপ্পা লৈতনা হোৎনখিগনি।

সোসিয়েল মিদিয়াদা থাগৎলকপা ৱারোল অমদা মুখ্য মন্ত্রিনা হায়- মহাক অমসুং অরুনাচল প্রদেশকী মুখ্য মন্ত্রি পেমা খন্দুগা লোয়ননা ঙরাং নিউ দিল্লিদা কেন্দ্রগী পার্লিয়ামেন্টরি এফ্যারস অমসুং মাইনোরিতি এফ্যারস মন্ত্রি কিরেন রিজিজগা উন্নদুনা ৱারী শান্নখি। উন্নবা অদুদা প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা অৱাং নোংপোক লমদমবু অষ্টলক্সমি ওইহন্নবগী ভিজন অমগা লোয়ননা চংশিল্লিবা

খোঙজং অসিদা মুখ্য মন্ত্রি অনিমকা শৌগৎপগা লোয়ননা মপুংফানা থবক্তো ওন্থোকবা হোৎনগনি হায়না থাজবা পীরমখি।

পুলিস (এল)ঃ সেক্যুরিতি ফোর্সশিংনা চীং অমসুং তম্পাক্কী চিংনবা মফম কয়াদা এরিয়া দোমিনেসন অমসুং থিবা হুন্বগী থবক লেপ্তুনা চখরি।

রাজ্য প্লিসকী পাউনা হায়- নেসনেল হাইৱে-৩৭ ইম্ফাল-জিরিবাম লম্বীদা পোৎ চৈ পুবা গাড়ি ৩০১ অমসুং নেসনেল হাইৱে-টু ইম্ফাল-দিমাপুর লম্বীদা পোৎ চৈ পুবা গাড়ি ৩৩৬ সেক্যুরিতিগী অকনবা চেকশিন থৌরাংগা লোয়ননা পুশিল্লকখ্রে।

অমরোমদা, মণিপুর পুলিসনা ঙরাং ইম্ফাল হৃষ্ট জিলাগী পুরৈরোম্বা খোঙনাং মখোঙদগী কে.সি.পি (পি.দব্লিউ.জি) গ্রুপকী মীওই অনি ফারে। মখোয় মীয়ামদগী নমদুনা শেল খায়বা মীওইশিংনি হায়রি। মখোয় অনিদগী চাকা অনি পানবা গাড়ি অমা, মোবাইল ফোন অহুম অমসুং লুপা লিশিং ৭,৬০০ য়াওনা অতৈ পোৎলম কয়া ফাগৎলে।

মরক অসিদা, জিরিবাম জিলাগী বোরো বেক্রা সব-দিভিজনগী মফম অমদা ঙসি অয়ুক অঙনবদা মীয়ামা বোম য়াওনা নোংমৈ কাপ্পগী মখোল তান্নখি। ঐখোয়গী পাউমীনা হায়- থৌদোক অদু করম্বা মফমদা কমদৌনা থোকখিবনো হায়বা হৌজিকমক্কী ওইনা চপ চানা খঙবা ঙমদ্রি।

প্রোগ্রাম (এল)ঃ মণিপুর য়ুনিভর্সিতিগী কোর্ট হোলদা ঙরাং ইন্তেলেকচুয়েল প্রোপরতি রাইটসকী মতাংদা ইন্তরেক্সন প্রোগ্রাম অমা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদু য়ুনিভর্সিতি অসিগী রিছার্স স্কোলরশিং অমদি ফেকলতি মেম্বরশিংগী মরক্তা ইন্তেলেকচুয়েল প্রোপরতি রাইটস, পেটেন্স, কোপি রাইটস অমসুং ত্রেদ মার্কনচিংবগী মতাংদা হেন্না খঙহন্নবগী পান্দমদা পাঙথোকপনি।

থৌরম অদুদা মণিপুর য়ুনিভর্সিতিগী ভাইস চান্সেল্লর প্রোফেসনার এন. লোকেন্দ্র য়াওনা য়ুনিভর্সিতি অসিগী ফেকলতি মেম্বর অমসুং রিছার্স স্কোলর ১৩০ রোমা শরুক য়াখি।

দেঙ্গি (এল)ঃ মনিপুরদা ঙরাং ফাওবদা দেঙ্গি পোজিতিভ ওইবা অপুনবা মশিং লিশিং ১,৫৪৫ য়ৌরে।

রাজ্যগী ষ্টেট মেলেরিয়া ওফিসারনা থাদোরকপা খ্বাইদগী নৌবা চেরোল অমদা হায়- ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাদা দেঙ্গিগী কেস লিশিং ১,০৯০, ইম্ফাল ইষ্ট জিলাদা ৩১৩, বিষ্ণুপুরদা ৪৯, থৌবালদা ৪৬, ককচিংদা ২৫, কাংপোকপীদা ৮, চান্দেলদা মরি, নোনেদা অহুম, সেনাপতিদা ১, উখ্রুলদা অহুম, তমেংলোংদা অনি অমসুং কামজোংদা কেস অমা লৈরি। হৌজিক ফাওবদা দেঙ্গিনা নাবদগী লৈখিদবা মীগী মশিং মরিনি।

নোং (এল)ঃ মণিপুরদা হৌখিবা নুমিৎ খরনিদগী অয়ুক্তা লৈচিল থাবা য়াওনা ঈংবা হৌরক্তুনা নিংথম থা চংলকপগী ফিভম অমা লাকপা হৌরে। অমরোমদা, কুমগী নোং চুবগী মতম লোইশিল্লকপগা লোয়ননা ঙরাংদগী হৌনা নুমিদাংগী মতমদা নোং চুখি। হৌজিক অয়ুকসু জিরিবাম য়াওনা মণিপুর মফম অয়াম্বদা নোং চুরি। মেট ওফিসকী পাউনা হায়- মণিপুরগী মফম অয়াম্বদা অখাক অরাউ য়াওনা নোং চুরবা য়াই।

কাং (এল)ঃ ৱাবগাই অৱাং লৈকাইদা লৈবা ৱালিদা কাংশঙদা চথরিবা ৬৬ শুবা সার চুরাচান্দ (কে.সি.এস.আই-সি.বি.ই) মেমোরিয়েল লিগ কম নোক আউট ওপন কাং তুরনামেন্টকী ঙরাং শান্নখিবা মেটচ অমদা কে.কে.সি.ওনা ৱালিদাবু পাঞ্জল ৯-৮ দা থোইখ্রে। তুরনামেন্ট অসি মণিপুর কাং এসোসিয়েসনগী লমজিং মখাদা ঐচ.এ.দব্লিউ.কে অমসুং ৱালিদা ৱাবগাইনা শিনবনি।

মুরমু ঃ রাষ্ট্রপতি দ্রৌপদি মুরমুগী মালাৰি খোঙচৎকী ঙরাং নিনি চনবা নুমিৎতা মালাৰিগী রাষ্ট্রপতি লজারস চকৱেরাগা উন্নদুনা লৈবাক অনিগী ওইবা মরী হেন্না ফগৎহন্নবগী মতাংদা ৱারী শান্নখ্রে।

তুংদা, লৈবাক অনিগী মরক্তা মীহুৎ কাংবুগী থাক্তা ৱারী শান্নদুনা এম.ও.য়ু মরি সহি তৌনখি। এম.ও.য়ুশিং অদুগী মনুংদা শান্ন-খোৎনবা, নহারোলশিংগা মরী লৈনবা হিরমশিং, অনা লায়েংগী হিদাক লাংথক শাবা অমসুং আর্ট এন্দ কলচরগী লমদা তেংবাং পীনবা হেনগৎহন্নবা ৱাফমশিং য়াওরি। রাষ্ট্রপতি দ্রৌপদি মুরমুনা মালাৱিদা পার্মেনেন্ট আর্তিফিসিয়েল লিম্ব রিপ্লেসমেন্ট সেন্তর অমা হাংদোক্লগনি হায়নসু লাউথোকখি।

মোবাইল ঃ নিউ দিল্লিগী ভারত মন্দাপমদা চত্থরকপা ইন্দিয়া মোবাইল কংগ্রেস (আই.এম.সি) ২০২৪ ঙরাং লোইশিনখ্রে। নুমিৎ মরিনি চুপা চত্থরকপা থৌরম অদুদা মালেমগী তোঙান তোঙানবা লৈবাক ১৯০ দগী লাকপা লল্লোন ঈতিক্কী লুচিংবশিং, পোলিসি মেকর অমসুং টেকিকেল এক্সপার্ট লিশিং ৩ হেনবনা শরুক য়াখি। ইন্দিয়া মোবাইল কংগ্রেস অসি হৌখিবা থা অসিগী ১৫ দা প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হৌদোকখিবনি।

ঐখোয়গী পাউমীনা হায়- ঙরাং লোইশিনবা নুমিৎতা পোলিসি মেকরশিং অমদি লল্লোন ঈতিক্কী লুচিংবশিংনা দিজিতেল ত্রান্সফোর্মেসন খোঙজেল য়াংনা চাওখৎহন্নবগী পান্দমদা পুন্না থবক তৌমিন্ননবা ইনোভেসন রোড মেপ অমা শেমবা য়ান্নখি। ৮ লক শুবা ওইনা পাঙথোকখিবা ইন্দিয়া মোবাইল কংগ্রেস অদুদা ভারতকী মরুওইবা টেলিকোম কম্পনিশিং অমসুং ইনোভেটরশিংনা পুথোকপা অনৌবা টেকোলোজি কয়াসু উৎখি।

মোদি ঃ প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা ঙসি নিউ দিল্লিদা কর্ম্ম যোগি সপ্তাহ- নেসনেল লার্নিং ৱিক হৌদোক্লগনি। চয়োল পালন অসিগী মনুংদা কর্ম্ম যোগি খুদিংমকা য়ামদ্রবদা পুং ৪ তোঙান তোঙানবা লমশিংদা খঙনবা হোৎনবগী খুদোংচাবা পীরি। থৌরম অসিগী মনুংদা লনাই মীওইশিং, মন্ত্রালয়শিং, দিপার্টমেন্টশিং অমসুং তোঙান তোঙানবা ওর্গনাইজেসন কয়াগী মীহুৎশিংগা পাউ ফাওনদুনা তম্বগী খুদোংচাবা ফংগনি।

ঝারখন্দ ঃ লাক্কদৌরিবা ঝারখন্দ বিধান সভা মীখলগীদমক এন.দি.এদা য়াওরিবা চংশিন্নবা দলশিংগী মরক্তা সিট য়েন্নবগী ৱাফম য়ান্নবা পুরক্কুনা ঙরাং লাউথোকখ্রে।

ঝারখন্দ বিধান সভা মীখলগী কো-ইনচার্জ ওইরিবা অসামগী মুখ্য মন্ত্রি হিমন্ত বিশ্বা শর্ম্মনা রাঞ্চিদা ৱাফম অসি লাউথোক্লদুনা হায়- পুন্না সিট ৮১ লৈবা ঝারখন্দ বিধান সভাগী মীখল অসিদা বি.জে.পিনা সিট ৬৮ দা, ওল ঝারখন্দ ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন্না সিট ১০ দা মখোয় মখোয়গী মীরেপশিং থাগৎলগনি। জামসেদপুর ৱেষ্ট অমসুং তামর বিধান সভা কেন্দ্র অনি অসিনা জন্তা দল য়ুনাইতেদকী ওইরগনি। চাত্রা বিধান সভা সিটতনা চিরাগ পাসৱানন লুচিংবা লোক জনাশক্তি পার্তিগী ওইরগনি।

মরক অসিদা, আই.এন.দি.আই.এ ব্লোকনসু মীখল অসিগীদমক চুংশিন্নরিবা দলশিংগা সিট য়েন্নবগী ৱাফম লৈখায় তানবা কন্না হোৎনরি।

---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

মণিপুরদা ঙসি ফোংলিবা পাউচেশিংদা অহানবা এসেমব্লি ফমখি চহি ৭৫ শুবগী নিংশিং থৌরম পাঙথোকখিবা, দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সিলগী মীখল অথুবদা পাঙথোক্কদবনি হায়না কংগ্রেসনা থমখিবা ৱাফম অমসুং তমেংলোংগী নালোংদা অনা অয়েক য়াওরকপদা ৱাগী শগাই শাদুনা ঙসিসু পুরি হায়বা পাউ, পাউচেশিং অসিদা তোঙান তোঙানবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

পোকফম পাউচেদা- এসেমব্লিগী হিল এরিয়া কমিতিগী রিকমেন্দেসন ৱিথদ্রো তৌবীয়ু হায়না কংগ্রেসনা থমখিবা ৱাফম অহানবা লমায়দা ফোংলি। পাউ অসি ইম্ফাল ফ্রি প্রেস, শঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস, হুইয়েন লানপাউ অমসুং পিপলস ক্রোনিকলদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

তমেংলোংদা ফোংবা গানফিউ মেল অমসুং তমেংলোং টাইমসতা- তমেংলোংগী নালোংদগী অনাবশিং শগাই শাদুনা নাগালেন্দ তমা পুবগী পাউনা অহানবা হেদলাইন ওইনা ফোংলি। শঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী অমসুং ইম্ফাল ফ্রি

প্রেসতা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

নহারোলগী থৌদাং পাউচেদা- মীয়ামগী মীহুৎ খনদুনা অহানবা এসেমব্লি লৈরকখিবা নুমিৎ পাক শন্না পাঙথোকখ্রে হায়না অহানবা হেদলাইন তৌরি। মৈতৈ পুয়া ৱারী লীবা চাংদমবা হৌদোকখ্রে হায়বা পাউচে অসিগী এনকর কলমদা ফোংলি।

শঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরীদা- মণিপুরগী অহানবা এসেমব্লি মীফম ফমখিবা চহি ৭৫ শুখিবগী কুমওন লুপ কয়ানা পাঙথোকখিবগী পাউ অহানবা হেদলাইন ওইনা ফোংলি।

সনালৈবাক পাউচেদা- নিংঙোল চাক্কৌবগী ঙাগী মেলা নবেম্বর অনিদা পাঙথোকবা শেম শাখ্রে- লুপা ক্রোর অহুমলোমগী ঙা নিংঙোল চাক্কৌবগী মেলাদা পুথোকবা শেম শাখ্রে হায়না অনিসুনা হেদলাইন তৌরি।

জিরিদা লৈবা স্কুল অমা মশক খণ্ডদবশিংনা মৈ থাদোক্লম্বগী পাউ শঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী, হুইয়েন লানপাউ, ইম্ফাল ফ্রি প্রেসনচিংবা পাউচেশিংগী অহানবা লমায়দা ফোংলি।

চীফ মিনিষ্টর বিরেন্না য়ুনিয়ন মিনিষ্টর কিরেন রিজিজ্ অমসুং অরুনাচল প্রদেশকী চীফ মিনিষ্টর পেমা খন্দুগা নোর্থ ইষ্টকী চাওখৎ থৌরাংগী মতাংদা খন্নখ্রে হায়বা পাউ মণিপুর নিউজ পাডচেদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি। পাউচে অসিদা শকাইরবা মণিপুরী ফিলম মেক্কর দেব কুমার বোস লৈখিদবা অমসুং অৱাবা ফোংদোকখিবগী পাউ অহানবা লমায়দা ফোংলি।

ফিলম মেক্কর অসি লৈখিদবগী পাউ তমেংলোং টাইমসতসু মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

------